

# সনালৈবাক স্পোর্টস

THURSDAY, FEBRUARY 06, 2014, PAGE 7

*কার এক্সিডেন্ট অমদগী মতম শাংনা কোমাদা লৈরিবা সু মেকরনা শোক্ত্রিঙৈগী ফোটো*

*ইন্দিয়ানা আশা তৌরিবা টেনিস শান্নরোই সনিয়া মিরজানা বোল হন্নবা হোৎনবা*




## ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দগী অহানবা টেষ্ট মেটচ



*ওকলেন্দ, ফেব্রুৱারী ০৫ঃ*
ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দ টুরদা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ৫ শান্নবগী মনুংদা মেটচ অমা খক দ্রো ওইরগা অতৈনা হোষ্ট টিম ওইরিবা ন্যুজিলেন্দগী মখুত্তা মায়থীবা পীদুনা ৪–০ দা নীংবা কায়রবা মতুংদা লৈবা অসিগা হয়েংদগী অহানবা টেষ্ট মেটচ শান্নগদৌরি।

মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা লুচিংলিবা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগা ৱামঅপ মেটচ ওইনা টেষ্ট মেটচ খরা শান্নখিবদা য়াওখিবা শান্নরোইশিংগী মশা মশাগী ওইবা পার্ফোমেন্স য়েংলবা মতুংদা শান্নরোই খরা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মতম অমগী ক্রিকেটর ওইরিবা সচিন টেন্দুলকরসু মফম অসিদা লাকখ্রে।

মহাক লাকপদগী টিম অসিদা অনৌবা ময়োন অমা লাক্লে হায়বা য়াই। টেষ্ট সেরিজ অসিদা ঈশ্বর পান্দেগী মহুত্তা পরগয়ান ওজহা য়াওগদৌরি। অদুমওইনমক টিম অসিনা সাউথ আফ্রিকাগী মখুত্তা ১–০ দা মায়থীবা নঙলকখিবনি।

টিম অসিদা শরুক য়ারিবা নহা ওইরিবা বেটসমেনশিংনা মতম শাংনদগী চৎনরকপা ফোর্মেটতা শান্নরি। অদুবু নুমিৎ ৯ নি অসিদা মখোয়না টেষ্ট মেটচ অনী শান্নগদৌরি। টিম অসিদা জহির খানগুম্বা বোল্লিংদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা কয়া অমসু য়াওরি। অদুমওইনমক মখোয়না জোনিসবকতা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেলগী মেটচ অদু নীংশিংবা মতম ওইরে।

হন্দক্কি টেষ্ট সেরিজ অসিদা ইন্দিয়াগী বেটিং লাইন অফতা টেষ্টতা হৈরবা মুরলি বিজয় অমসুং চিত্রেশ্বর পুজারা হাপচিল্লক্লি। মসিনা অনৌবা ফোর্মেট অমা ওইগদৌরি। মখোয়দা নত্তনা ৱান দে ইন্টর্নেসনেলদা রন য়াম্না লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন বিরাট কোহলি অমসুং স্কিপর মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা রন কয়া লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

অমরোমদা টিম অসিদা য়াওরিবা রোহিদ শর্ম্মাগী মহুত্তা অনজেনকা রহানে শিঞ্জিল্লকপা য়ারি। আফ্রিকাদা শান্নরুবা অদুদগী হেন্না নীংথিনা শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মখোয়গী মনুংদা ময়ামগা মান্নদবা মওংদা বেটিং পার্ফোমেন্স পীরকপা সেখর ধাহৱনা নীংথিনা শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

মহাক্কী ওইনা য়েংবদা ২০১৩ গী দিসেম্বর ফাওবদা ইনিংস ১০ শান্নবদা রন ১৬৯ তমক লৌবা ঙমখিবা অসিনা ধৱনগী রেকোর্দ অসি কুপ্না য়েংশিল্লি।

আফ্রিকাদা চত্তুনা শান্নখিবা টুর মেটচ অদুদা ধৱননা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল অমদি টেষ্ট মেটচতা লৌখিবা রন অসি ১৩, ১৫, ২৯ অমদি ১৯ নি। অদুমওইনমক হন্দক ন্যুজিলেন্দদা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল অদুদা মহাক্কী রন অসি খরা হেনগৎনা লৌবা ঙমখ্রে।

টেষ্ট মেটচ অসিদা মহাক্না হান্না লৌখিবা বেষ্ট স্কোর অসিদদি খরা হেনগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

অমরোমদা অতোপ্পা শান্নরোই কোহলি অমদি পুজারানা বেটিংদা করিগুম্বা মতম অমত্তদা লাইনঅপ তৌদুনা শান্নরবদি রন স্কোর য়াম্না তৌরক্কনি হায়না থাজবা থল্লি। কোহলিসু ৱান দে ইন্টর্নেসনেলদা রন য়াম্না লৌবা শান্নরোই অমা ওইবগা লোয়ননা চিত্রেশ্বর পুজারানা টেষ্টতা রন য়াম্না লৌবা শান্নরোই অমনি।

অমরোমদা রবিন্দ জাদেজানা দুরবান টেষ্টতা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখি, হন্দক শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচতসু বোল্লর অসিনা ৱিকট খরদি লৌবা ঙমখি। মহাক্না টেষ্ট মেটচ অসিদা ৱিট হেন্না লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুমওইনমক টেষ্ট শান্নগদবা মফম অসিদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী নোং চুরবা য়াই হায়না ন্যুজিলেন্দগী ফোকসতা ফোঙদোকপদি লৈখি।

## ৱার্ল্ড কপ কবাদিদা মায় পাকখ্রবা নুপী শান্নরোইনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

*বোকারো, ফেব্রুৱারী ০৫ঃ*
কবাদি ৱার্ল্ড কপতা মায় পাক্লকপা ইন্দিয়াগী নুপী কবাদি টিম অদুদা শান্নরোই অমা ওইনা য়াওখিবা বিন্দিয়াবাসিনিনা মহাকপু থবক পীবিয়ু হায়দুনা বোকারো দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিস মমাঙদা নুমিৎ চুপ্পা ধরনা তৌখ্রে।

শান্নরোই অসিনা মহাক্কী পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা লৈবাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা গভর্ণমেন্টনা মঙোন্দা থবক পীরগনি হায়দুনা ফোঙদোকখিবসি অনীরক শুখ্রে। অরোইবা ওইনা মহাকপু থবক পীগনি হায়খিবসি ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর হেমন্ট সোরেন্না মমাঙ থাদা থবক পীরগনি হায়খিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা সরকারনা মহাক্কীদমক্তা করিগুম্বা অমত্তা হোৎনবীবা লৈত্রি হায়না শক ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ কবাদি টিমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াখিবী অসিনা মখা তাখি।

মহাক্না পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা মহাকপু থবক পীবিনবা ঙসি দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিস মমাঙদা ধরনা তৌবা অদুদা ওফিসকি মায়কৈদা কনাগুম্বা অমত্তনা মহাকপু উন্ননবা হোৎনদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা থবক পীদ্রবদি রাঞ্চিদা অনৌবা মখলগী দেমেন্সট্রেসন পাঙথোক্কনি। মসিদা মহাক খক্তা নত্তনা মহাক্কী ইমুং মনুংসু য়াওগনি হায়না শান্নরোই অসিনা মখা তাখি। অহানবা ওইনা মহাক্না ইন্টর্নেসনেলগী মেদল লৌরকখিবা মতমদা অর্জ্জুন মুন্দেনা থবক পীগনি হায়খিবনি।

## মেকলোরি হোন্দা ক্লাসিক য়াওগদৌরি

*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ০৫ঃ*
নোর্থন আইরিজকি শান্নরোই অমা ওইরিবা লোরি মেকলোরি মমাঙ চহী ২০১৩ দা নীংথিনা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবসু হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা হোন্দা ক্লাসিক্তা শরুক য়াগনি হায়রি।

হেন্দা ক্লাসিক অসি থা অসিগী ২৭ তগী মার্চকি ২ ফাওবা পি জি এ নেসনেল প্লম বিচ গার্দেনদা পাঙথোক্কনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবসি ইং ২০১২ দনি। মতম অদুদা মহাক্না টাইগর ৱুটতা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুসু মায় পাক্লবা মতুংদা মহাকপু ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইনা মীয়াম্না শক খঙখি।

শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না হোন্দা চেম্পিয়নসিপ অসি ঙাইবা ঙমদে হায়বা ৱাফম পল্লদুনা হৌজিক ৭ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা অনীরক হোন্দা টুর্নামেন্ট অসিনা হায়। মশান্না অসি মহাক্না খ্বাইদগী পামজবা অমা ওইবগা লোয়ননা ইং ২০১২ দা মহাক্না মশান্না অসিদা কেরিয়র অমা শেম্বা ঙমখি হায়রি।

প্লম বিচতা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিনসু মঙোন্দা অনৌবা ফিল্লিং অমা ফাওহল্লি হায়না পল্লদুনা মমাঙগী চহীদা মহাক্না শরুক য়াবদা মায় পাকখিদবা অদু কাওবা ঙম্লোই হায়না অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অসিনা হায়খি।

## মতম খরা য়াওরোইদৌরি

*লণ্ডন, ফেব্রুৱারী ০৫ঃ* মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকি মিদ ফিল্ডর ওইরিবা মাইকেল কেরিকনা মহাক্কী খোঙজেংদা শোকপগা মরী লৈননা হৌজিক চংখরিবা প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লোই হায়না বৃটিশকি পাঙ্গী লীখুন অমনা ফোঙদোক্লি।

শান্নরোই অসিনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ লীগ কপকি শরুক অমা ওইনা মখোয়গী ওপোনেন্ট টিমগা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইবদগী টিম অনীমক্না পেনাটি সুট আউটনা মায় মাকপগী থৌরাং অদু লৌখৎনবা পাঙথোকখিবদা মহাক্কী মখোঙ অদু শোকপনা মরম ওইদুনা মখা তাবা য়ুনাইটেদ লীগ কপ অসিদা থা অমরোম শরুক য়ারোই হায়রি।

ইংলেণ্ডগী মিদ ফিল্ডর ওইরিবা শান্নরোই অসি য়ামদ্রবদা চয়োল অনীরোম পোত্থরগনি। করিগুম্বা হায়রিবা চয়োল অনীসিগী মনুংদা মহাক্না মখা তানা মেটচ শান্নবা থোক্লবদি হেন্না খুদোংথীবা অমা মহাক্কী মপুন্সিদা থোক্কনি হায়না মহাকপু লায়েংলিবা ডাক্তরশিংনা ফোঙদোকখি হায়না বৃটিশ মেদিয়ানা ফোঙলি।

## দিল্লি ৱেভরাইদর অমদি য়ু পি ৱিজার্ট টোপ ওইনবা শান্নগদৌরি



*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ০৫ঃ*
দিল্লী ৱেভরাইদর অমদি উত্তর প্রদেশ ৱিজার্টনা হৌজিক চংখরিবা হেরো হোকি ইন্দিয়ন লীগ ২০১৪ গী রাউন্দ রোবীন লীগকি মেটচতা মখোয় মখোয়গী টিম্না খ্বাইদগী মকোক থংবা ওইনবা কন্না শান্নরক্কদৌরি। টিম অনী অসিগী মনুংদা অকাবা অদুনা লীগ অসিগী মকোক ওইগদৌরিবনি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অমনা অমবু মায়থীবা পীনবা কন্না হোৎনগদৌরি। মখোয় অনী অসি হন্দক্কি লীগ অসিদা অহানবা ওইনা থেংনগদৌরিবনি। হৌজিক ফাওবদা দিল্লী ৱেভরাইদরনা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি। মসি মখোয়না মেটচ ৫ শান্নবা লোইখিবদা ফংলকপনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা টেবল অসিদা য়ু পি ৱিজার্টনা মেটচ মরি শান্নখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা ৩ শুবা ওইনা লৈরি। হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিনা য়ু পি ৱিজার্ট অমদি দিল্লী ৱেভরাইদরগী ওইনা অকনবা মেটচ অমা ওইগদৌরি। মসিদা মায় পাকপা টিম অদুনা খুদোংচাবা লৈগদৌরিবনি।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা জেপি পঞ্জাব ৱারিয়সনা পোইন্ট ২১ ফংদুনা টেবল অসিগী তোপ্পর ওইনা লৈরি। করিগুম্বা য়ু পি ৱিজার্টতা মেটচ অসি মায় পাক্লবদি পোইন্ট ১৮ ফংবগা লোয়ননা জে পি পঞ্জাবকি মথংদা লৈবা ঙমগদৌরি।

টিম অনীমক্না মমাঙদা মখোয়গী শান্নখিবা মেটচশিংদা নীংথিনা মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক দিল্লী টিম্না কলিংগা লঞ্চরবু ৪–৩ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অমরোমদা য়ু পি ৱিজার্টনা টোপ স্পোটতা লৈরিবা জে পি ৱারিয়সকা শান্নখিবা মেটচ অমদা ২–২ দা দ্রো ওইখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা দিল্লী ৱেভরাইদরনা মেটচ ৫ শান্নবদা মেটচ ৩ মায় পাকখি অদুগা মেটচ অনীনা মায়থীবা নঙখি।

নাকল অমরোমদা মখোয়গা হয়েং শান্নগদৌরিবা য়ু পি ৱিজার্টনা মেটচ অনী মায় পাকখি। অদুগা মেটচ অমনা মায়থীখি, অমনা দ্রো ওইখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখোয়না মেটচ ৪ খক শান্নখ্রে। হয়েং শান্নবা অসিনা মখোয়গী মঙাশুবা মেটচ ওইগদৌরিবনি।

হয়েংগী মেটচ অসি মফম অসিদা লৈরিবা মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা কনানা কনাবু মায়থীবা পীবগে হায়বসি খঙলগনি। মসিদা টিম অনী অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা লমগী শান্নরোইশিংগী হৈশিংবগা লোয়না ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পীরকপা পার্ফোমেন্স অদু মেটচ য়েংলিবা মীয়াম্না শোইদনমক খঙলগনি।

লীগ অসিদা উত্র প্রদেশ ৱিজার্ট অসি য়াম্না কনবা টিম অমা ওইনা লৈরি। টিম অসিনা হৌজিক ফাওবদা য়াম্না নীংথিনা শান্নখিবগা লোয়ননা হয়েংগী মেটচ অসিদা অশোইবা অমত্তা লৈতনবা কন্না হোৎনদুনা অমদি চেক তৌদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা হোম গ্রাউন্দদা শান্নগনি হায়বগী আশা চাউনা লৈরিবা দিল্লী ৱেভরাইদরগী কোচ কেরিস দি সৌজানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিমগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না নীংথিনা শান্নরক্কনি। লোয়ননা হোম গ্রাউদ ওইবনিনা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা মীওইশিংনা মখোয়গী সপোর্ট তৌরক্কনি হায়খি।

## ইম্ফাল ইষ্টকি টিম ২না ফাইনেল শান্নগনি



*জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ০৫ঃ*
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চংখরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা মায় পাকপগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ফাইনেল চঙখ্রে। ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকি টিম অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না লুংগ্রেজাং য়ুথ ক্লব জিরিবাম্বু গোল ৬–১ দা চাউনা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা মখোয় মখোয়গী টিমগী গোল চন্ননবা এটেক তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাল্ফকি ৩৬ শুবা মিনিটতা এল ৱাই সি জিরিবামগী বিজয় রোংমৈনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়োক্তা গোল অমা চন্দুনা টিম অসিগী গোল একাউন্দ হাংদোকখি।

থংনবা মীৎকুপ্তা মেটচকিনা ৩৭ শুবা মিনিটতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী টি ঐচ রতননা গোল অমা চন্দুনা দ্রো ওইহনখি। দ্রো ওইরবা মতুংদগীদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। মেটচকি ৪৪ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী টি ঐচ বেন্দোনানা গোল অমগা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনীনা মখা তানা শান্নরবসু অনীশুবা শরুক্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখিবগা লোয়ননা অনীশুবা ওইনা গোল চনখিবা টি ঐচ বেন্দোনানা সেকেন্দ হাল্ফ মনুংদা গোল ৩ চন্দুনা মেটচ অসিদা মহাক্না গোল মরি চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী ৫৪ শুবা মিনিটতা মহাক্না গোল অমগা চন্দুনা মাগী অনীশুবা গোল চনখি। মেটচকি ৬৩ শুবা মিনিটতা টি ঐচ রোসননা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৪–১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

মেটচ অসিগী ৮৫ শুবা মিনিটতা বেন্দোনানা গোল অমগা চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। অদুমওইনমক শান্নরোই অসিনা মেটচ অদুগী ইঞ্জুরি মতম হায়বদি ৯০ প্লাসতা গোল অমগা চন্দুনা মেটচ অসিদা পুন্না গোল ৪ চনবগা লোয়ননা এল ৱাই সি জিরিবাম্বু ৬–১ দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিগী ৯০ শুবা মিনিটতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এম টাইনবু রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। অদুগা মেটচ অদুগী অতোপ্পা ওপোনেন্ট টিম অমা ওইরিবা এল ৱাই সি জিরিবামগী গাইজুক রোংমৈবু ৩৬ শুবা মিনিটতা গাইদুনাংপৌবু ৪৮ শুবা মিনিটতা অমদি জাইরেম মারবুসু য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৭ তা হান্না ফাইনেল চঙখ্রবা ইম্ফাল ইষ্টকি টিম অমা ওইরিবা এ আই ৱাই সি অমদি ঙসি ফাইনেল চঙলিবা ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অনী শান্নদুনা লোইশিনগনি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিনগদবা শান্নরোইশিং লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ঃ*
টামিল নাদুগী চেনাইদা লৈবা অনা য়ুনিভর্সিটিতা মার্চকি ১ দগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগা মার্চকি ৪ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱেটলিফটিং মেন এন্দ ৱুমেন, পৱার লিফটিং মেন এন্দ ৱুমেন অমসুং বেষ্ট ফিজিক মেন চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

পৱার লিফটিং ৱুমেনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৪৭ কি কাঙলূপ্তা টি ঐচ বিদ্যরানী দেবী, কেজি ৫২ কাঙলূপ্তা এন কুঞ্জরানী দেবী, কে জি ৫৭ কি কাঙলূপ্তা এম তম্ফাস্না দেবী অমসুং কেজি ৭২ গী কাঙলূপ্তা কে রাসিদা দেবীনি।

রিজার্ব প্লেয়র ওইনা কে জি ৪৭ কি কাঙলূপ্তা এন রোমিলা দেবী অমসুং কেজি ৫২ গী কাঙলূপ্তা এল কিরন দেবী থল্লি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা কেজি ৫৯ গীদা আই বিরজিৎ সিংহ, কেজি ৬৬ কিদা এ রবিসন সিংহ, কেজি ৭৪ গীদা কে রেগান সিংহনি।

ৱেটলিফটিং নুপীগীদা কেজি ৫৮ গী কাঙলূপ্তা এন সুমনবালা দেবীনি। নুপাগী বেষ্ট ফিজিক্তা কেজি ৬০ গীদা এল লনচেনবা মৈতৈ, কেজি ৬৫ গীদা নর সিংহ কে ঐচ, কেজি ৭০ গীদা মালেমঙানবা কাঙুজম, কেজি ৭৫ গীদা কে বিশ্বজিৎ, কেজি ৮০ গীদা এম ধনেশ্বর সিংহ, কেজি ৮৫ গীদা এন সুরজ সিংহ, কেজি ৯০ গীদা কে সসিকান্তা সিংহনি।

রিজার্ব ওইনা কেজি ৬০ ৱাই সোমানন্দা, কেজি ৬৫ এস রোবাদ, কেজি ৭০ এল রিসিকান্তা, কেজি ৭৫ এম লোয়ুম্বা মৈতৈ অমদি কেজি ৮০ এল নোংয়িংখোম্বানি।


Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B